## রেদ ক্রোসতা থল্লম্বা অথিংবা লৌথোকখ্রে

কাবুল, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) :
টালিবান্না ইন্টরনেসনল কম্মিটি ওফ দ রেদ ক্রোস (আই সী আর সী)না অফঘানিস্তান্দা পায়খৎলিবা থবক থৌরম কয়াদা থল্লম্বা অথিংবা থা ৫ চুপ্পা চৎনরকখিবা মতুং নোংমাইজিং নুমিত্তা গ্রুপ অসিনা লৌথোকখ্রে।

কটরদা পিছ নিগোসিএসন চত্থরকখিবা মতুংদা অথিংবদু লৌথোক্লবা ৱারেপ লৌরকপনি হায়না মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

## ইরাককী লম শীজিন্নে হায়বা য়াখিদ্রে

বাঘদাদ, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) :
সাউদি অরাবিয়ানা পুথোক্লিবা থাউ অপুন্বগী তঙ্খায় অমা হেন্না পুথোকপগী থবকশিংদা চাওনা অকায়বা থোকহনখিবা লৈবাক অসিগী ওইল ফেসিলিটিশিংদা চত্থখিবা এটেকশিং ইরাককী মফম অমদগী পাঙথোকখিবনি হায়বা মিদিয়া রিপোর্টশিংদা পন্নরিবা ৱাফম নোংমাইজিং নুমিত্তা বাঘদাদনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

## সাউদি ওইল এটেক্কা মরী লৈনবা য়ু এসকী ৱাফম ইরানন্না য়াখিদ্রে, লানগীদমক্ত শেম শারে হায়খ্রে



দুবাই, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) :
সাউদি অরাবিয়াগী ওইল প্লান্টশিংদা চত্থখিবা মালেমগী থাউ পুথোকপগী থবকশিংদা চাওনা অকায়বা থোকহনখিবা এটেকশিংদা ইরান চেন্নে হায়বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ৱাফম টেহরান্না য়াখিদ্রে অমসুং লমদম অদুদা লৈরিবা য়ু এস বেজশিং অমসুং এয়রক্রাফট করিয়রশিং লৈবাক অসিগী মিসাইলশিংনা ইরাই লায়না য়ৌশিনবা ঙম্মী হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা চেকশিন ৱা হায়খ্রে।

সাউদি অরাবিয়ানা পুথোক্লিবা থাউগী পোৎথোক অপুন্বগী তঙ্খায় অমরোম হেনবগী পোৎথোক পুথোকপগী থবকশিংদা খুদক্তা অকায়বা পীখিবা থাংজ নুমিৎকী এটেকশিং অদু য়েমেনগী ইরানন্না শৌগৎপা হৌথি গ্রুপনা মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রবনি।

তৌইগুম্বসুং য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ মাইক পোম্পিওনা এটেকশিং অদু য়েমেন্দগী চত্থরকখিবনি হায়বগী ইভিদেন্স লৈতে হায়রদুনা ইরানবু মালেমগী ইনর্জি সপ্লাইদা মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা চত্থখিবা এটেক অদুগীদমক্তা মরাল শীখি।

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন অবাস মৌসাভিনা ষ্টেট টি ভিদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ু এসকী ৱাফম অদু ৱাহন্থোক অমত্তা লৈতে হায়খি। রেভোল্যুসনরি গার্দসকী সিনিয়র কম্মান্দর অমনা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিনা মপুং ফাবা লান অমা শোক্লবগীদমক্তা শেম শারে অমসুং য়ু এসকী মিলিটর এসেটশিং ইরানগী মিসাইলশিংগী রেঞ্জ মনুংদা লৈ হায়না ৱার্নিং তৌখি। ষ্টেটনা চল্লাইবা ওইল কম্পনি সাউদি অরামকোনা থাংজ নুমিৎকী দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং অদুনা মরম ওইদুনা থাউ পুথোকপগী চাং নোংমদা বেরেল মিলিয়ন ৫.৭ হন্থরগনি নৎত্রগা মালেমগী শুংদোক্ত্রিবা থাউ সপ্লাই অপুন্বগী চাদা ৫ হেন্না হন্থরগনি হায়না ফোঙদোকখি। সাউদি অরাবিয়ানা নুমিৎ খুদিংগী গ্লোবেল দেষ্টিনেসনশিংদা থাউ বেরেল মিলিয়ন ৭ হেন্না থারিবনি।

## অফঘান, য়ু এস ফোর্সশিংনা টলিবান গভর্নরশিং, ফাইটরশিং হাৎখ্রে



কাবুল, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) :
অফঘানিস্তানগী অৱাং অমসুং নোংচুপ থংবা লমদমশিংদা জোইন্ট এয়রষ্ট্রাইক কয়া চত্থখিবগা লোয়নন্না য়ামদ্রবদা হার্দ লাইন লালহৌবা গ্রুপ টালিবানগী ফাইটর ৪০ রোম শিখ্রে অমদি য়ু এস ফোর্সশিংনা মতেং পাংবা অফঘান ফোর্সশিংনা গ্রুপ অসিগী সিনিয়র লিদর অনী হায়খ্রে হায়না ওফিসলশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী অহিংদা হৌখিবা ওপরেসনশিং অদু টালিবানন্না অফঘান ফোর্সশিংদা এটেক কয়া চত্থনবা পায়খৎলিবা থৌরাং কয়া ফেল ওইহন্নবগীদমক্তনি হায়না কেপিটেল কাবুলদা সিক্যুরিটিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা য়ু এস অমসুং টালিবানগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক টোক্স লেপখিবদগী হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিংসু হেনগৎলক্লে হায়না ফোঙদোকখি। টালিবান্না অৱাং থংবা সমাঙ্গন প্রোভিন্সকী গভর্নরনি হায়না লাউথোকখ্রবা মৌলভি নুরুদ্দিনগা লোয়নন্না ফাইটর ৪ দরা-ঈ-সুফ পায়িন দিষ্ট্রিক্তা এয়রষ্ট্রাইক অমদা শিখ্রে হায়না দিফেন্স সেক্রেটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। তোঙানবা থৌদোক অমদা নোংচুপ থংবা ফরাহগী অনর দরা দিষ্ট্রিক্তকী গভর্নরনি হায়না টালিবান্না লাউথোকখ্রবা মুলাহ সয়েদ অজিম অফগান অমসুং ফোরেন ফোর্সকী অপুনবা রেইদ অমদা অতোপ্পা লালহৌবা ৩৪ গা লোয়নন্না শিখ্রে হায়রি।

## সিরিয়ন ফোর্সেসনা সাউথ ইদলিবতা আর্টিলরি এটেক চত্থখ্রে



বৈরুট, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) :
চয়োল অনীগী মমাংদা সীজফায়র চৎনহন্দুনা আর্মিগী অকনবা লান্দা অমা লেপহন্দুনা লাকখিবা রেবেলশিংগী অরোইবা মরু ওইবা ষ্ট্রোংহোলনি হায়না লৌনবা ইদলিবকী খা থংবা শরুক্তা নোংমাইজিং নুমিত্তা সিরিয়ন ট্রুপশিংনা আর্টিলরি সেল কয়া কাপশিন্দুনা অকনবা এটেক চত্থখ্রে হায়না রেস্ক্যুরশিং অমসুং লোকেল মীওইশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিৎতা ৱার প্লেনশিংনা এয়র রেইদ কয়া চত্থখ্রবা মতুংদা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ইদলিবকী খা থংবা লমদমদা লৈবা খুঙ্গং কয়া অমসুং মনাক নকপা মরাট অল-নুমান টাউনদা আর্টিলরি সেলশিং কাপশিন্দুনা অমাঙ-অতা কয়া থোকখিবনি। রেবেল ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, ফাইটরশিং মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈখিবগা লোয়নন্না ফ্রন্ট লাইনশিংদা অহেনবা ফাইটর কয়া থাজিনখ্রে।

আর্টিলরি সেলশিং কাপ্লকখিবা পোজিসনশিংদা অতমম্না টার্গেট তৌদুনা পাউখুম পীরি হায়না নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট ইন্সর্জেন্ট ফোসকী নাজি মুষ্টাফানা হায়খি। ইদলিব লমদম য়াওনা সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা চিদাইগী লম অদু চহী ৮ হেন্না লান শোক্লরকখিবা মতুংদা হৌজিকসু রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌরিবা অরোইবা মরু ওইবা লমনি।

থা ৫ চুপ্পা অকনবা এটেক অমা চত্থরকখিবা মতুংদা হৌখিবা ওগষ্ট ৩১দা দমাস্কসনা সীজফায়র লাউথোকপদগী এয়রষ্ট্রাইকনচিংবশিং লেপ্তুনা লাকখিবনি। থা ৫ গী অকনবা ওফেন্সিভ অদুদা মীওই চা কয়া শিখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

য়ু এনগী ৱাফম অসিগী ওৎন্ন-তৈনবদা সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী গভর্নমেন্ট অমসুং মহাক্কী মরু ওইবা মীচং মোস্কোনদি হান্না অল-কায়দাগা মরী লৈনরম্বা মিলিটেন্টশিংনা চত্থরকখিবা এটেকশিংগী পাউখুম পীদুনা মখোয়না থবক তৌরিবনি হায়না ফোঙদোকখি। ইদলিবতা ট্রুস অমা চৎনহন্নবগী মতাংদা টর্কিনা য়ুম্বু ওইদুনা রসিয়া অমসুং ইরান য়াওনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মীফম অমা পাঙথোক্লবা লেপখ্রবনি।

## প্রো-দিমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিং শৌগৎনবা তকশিল্লগনি



ন্যু য়োর্ক, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) :
হোং কোংগী প্রো-দিমোক্রেসি এক্তিভিষ্ট জোসুৱা ৱোংনা থাংজ নুমিত্তা হায়খ্রে মদুদি, ফ্রী ইলেক্সনশিং পাঙথোকপগী ৱাফম য়াওনা থা কয়া চুপ্পা হোং কোং সিটিগী লম্বীশিংদা খোঙজং কয়া চত্থরকখিবা দেমোনষ্ট্রেটরশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিংবু য়ু এসগী লোমেকরশিংনা শৌগৎহন্নবা মহাক্না তকশিল্লগনি।

ৱাশিংটনদা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লিঙৈদা মমাংদা ন্যু য়োর্কতা রোইটর্সতা ৱা ঙাঙখিবা ৱোংনা কুমজা ২০১৪দা হোং কোংদা চত্থখিবা প্রো-দিমোক্রেসি অম্ব্রেলা মুভমেন্ট লুচিংখিবনি। হৌজিক্কী ওইনদি সিটিগী ওথোরিটিশিংনা ৱিথড্রো তৌখ্রবা এক্সট্রাদিসন বিল অমগা মরী লৈনন্না হৌখিবা সিটি অদুগী খ্বাইদগী নৌবা প্রোটেষ্টশিং অদু অহেনবা দিমোক্রেসি অমদি মেনলেন্দ চাইনাদগী নীং তম্বা তানবগী ইহৌশিং ওল্লকখি।

তৌইগুম্বসুং ইনৌ নৌনা চত্থরক্লিবা অকনবা প্রোটেষ্টশিং অদু অয়াম্বনা লিদরশিং য়াওনা চত্থে হায়না লৌনরি। মীয়ামগী অপাম্বশিং অসিগী মতাংদা ঐখোয়না য়ু এসপু পার্টি অনীমক্কী সপোর্ট পাম্মী। হৌজিক চত্থরিবা য়ু এস অমদি চাইনাগী লল্লোন ইতিক্কী নিগোসিএসনশিংদা হ্যুমেন রাইটসকী ক্লোজ অমা য়াওহন্নবা য়ু এসকী লোমেকরশিংনা দিমান্দ তৌগদবনি হায়না ৱোংনা ৱাশিংটনদা চৎকদৌরিবা মহাক্কী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখি।

চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অদুদা ট্রেদ অমসুং বিজিনেসকী খুদোংচাবশিং য়াওনা চহী কয়া লিশাং শীৎনা পীফম থোক্লিবা স্পেসল ট্রিটমেন্টকী ফিভমশিং তশেংনা পীরি হায়বদু চহী খুদিংগী য়েংশিনবগী তঙাইফাদবা লৈহনগদৌরিবা হোং কোং হ্যুমেন রাইটস এন্দ দিমোক্রেসি এক্ট পাস তৌদবা য়াদে হায়বসিদা মহাক্না কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংদা ৱাখল তাহনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু ৱোংনা ফোঙদোকখি।

হোং কোং অসি বৃটিশনা কুমজা ১৯৯৭ তা ৱান কন্ট্রি, টু সিষ্টেমস হায়বা ফোর্ম্যুলা অমগী মখাদা মেনলেন্দদা ফংদবা ফ্রীদমশিংগী গরেন্টিগা লোয়নন্না চাইনিজ লৈঙাক্তা অমুক হন্না শীন্নখিবনি।

## ওস্মা বিন লাদেনগী মচানুপা হমজা য়ু এস রেইদতা শিখ্রে : ট্রম্প



ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) :
য়ু এস স্পেসল ফোর্সেসনা পাকিস্তান্দা হাৎখ্রবা অল-কায়দাগী লুচিংবা ওস্মা বিন লাদেনগী মচানুপা অমসুং মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগী মরু ওইবা মীশক অমা ওইরিবা হমজা বিন লাদেন য়ু এসকী কাউন্টরটেররিজম ওপরেসন অমদা হাৎখ্রে হায়না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হ্বাইট হাউসনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ট্রম্পনা হায়খি মদুদি, ওপরেসন অদু অফঘানিস্তান-পাকিস্তান লমদমদা পাঙথোকখিবনি। অতৈ মখা তাবা অতোপ্পশিংদি ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখিদে। কাউন্টরটেররিজম ওপরেসন্দা হমজা বিন লাদেন শিখিবা অসিনা অল-কায়দাগী মরু ওইবা লিদরসিপ স্কিলস অমসুং মপাগা লৈনরিবা সিম্বোলিক ওইবা মরী মাঙহনখিবদা নত্তনা গ্রুপ অসিগী মরু ওইবা ওপরেস্নেল এক্তিভিষ্টিশিংদা চৈথেং চাওনা নংহল্লে হায়না ট্রম্পতা ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী ওফিসল অমনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখিবদা, বিন লাদেনগী মচানুপা হমজা থা কয়াগী মমাংদা অফঘানিস্তান অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা লৈবা বোর্দরগী মনাক্তা হাৎখ্রবনি। মতম অদুদসু ওপরেসন অদুগী মতাংদা ট্রম্পনা ব্রিফ তৌবা লৈখ্রবনি।

ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, চহী ৩০ রোমগী মীওই ওইরমগনি হায়না লৌনবা হমজানা মহাক্কী মপাগী মহুৎ শীন্দুনা অল-কয়দাগী মকোক ওইরে হায়না থাজনরি। ওস্মা বিন লাদেন কুমজা ২০১১ দা য়ু এস ফোর্সশিংনা হাৎখিবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা সেপ্তেম্বর ১১গী এটেকশিং চত্থদ্রিঙৈগী মমাংদা হমজা অসি অফঘানিস্তানদা মতম চুপ্পদা মহাক্কী মপাগী মনাক্তা লৈখি।

য়ু এসনা লুচিংদুনা অফঘানিস্তানদা লান্দাখিবা মতুংদা মহাক পাকিস্তানদসু মপাগা লৈমিন্নখি। য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা হমজাবু কুমজা ২০১৭ দা গ্লোবেল টেররিষ্ট অমনি হায়না লাউথোকখি।

## ৱাথোক ওইরবা থাইলেন্দগী টেম্পলদগী কনখিবা কৈ কয়া শিরে

বেঙ্কোক, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) :
থাইলেন্দগী টুরিষ্ট এট্রেক্সন অমনি হায়না লৌনবা ৱাথোক ওইরবা মমিং লৈরবা টাইগর টেম্পলদগী কুমজা ২০১৬ তা থাই ওথোরিটিশিংনা নমদুনা লৌখৎখিবা কৈশিংগী মনুংদা তঙ্খায় অমা হেন্না ভাইরসকী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা শিরে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে। রিপোর্টশিং অদুগী মতুং ইন্না কৈশিং অদু ইনব্রিদিংনা মরম ওইদুনা মখোয়গী ইম্যুন সিষ্টেমশিং শোন্থরকপদগী লায়না অদুনা নারক্তুনা শিখিবনি।

বেঙ্কোক সিটিগী নোংচুপ্তা লৈবা বুধিষ্ট টেম্পল অদু টুরিষ্টশিংগী লমথুংফম অমনি। মফম অদুদা লাক্লিবা মীশিংনা কৈশিংগা ফোটো কাপমিন্নবগা লোয়নন্না কৈ মচাশিংদা ফাওবা বোট্টলনচিংবা শীজিন্নদুনা পীজ-পীথক তৌনখি। তৌইগুম্বসুং ৱাইল্ডলাইফ ট্রাফিকিংগা মরী লৈনন্না মালেমগী অকনবা প্রেসর লাকখিবগী পাউখুম ওইনা কুমজা ২০১৬দা থাই ওথোরিটিশিংনা টেম্পল অদুদা লৈরিবা কৈ ১৫০ রোম নমদুনা মফমদুদগী পুথোকখিবনি।

ওথোরিটিশিংনা নমদুনা পুথোরকখিবা শাশিং অদু ষ্টেটনা চল্লাইবা সেঙ্কচ্যুৱরি অনীদা থমখি। তৌইগুম্বসুং শাশিং অদু য়াম্না থুনা কেনাই দিসটেম্পল ভাইরস চঙদুনা নারকখি হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ নেসনল পার্কস, ৱাইল্ডলাইফ এন্দ প্লান্ট কঞ্জার্ভেসনকী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। টেম্পল অদু মমাংদা চহী কয়ামুক ৱাইল্ডলাইফ সেঙ্কচ্যুৱরি অমা ওইনা লৈরকখিবা মতুং মমৈথংদা ৱাইল্ডলাইফ ট্রাফিক্কিং অমসুং এনিমেল এব্যুজকী থৌওং কয়া চত্থরম্বা য়াই হায়বদগী চিংনবা লৈবদগী ওথোরিটিশিংনা থিজিল্লকখিবনি।



## পাক-ইন্দিয়া টেন্সন্সনা টি এ পি আই প্রোজেক্টতা শোকহল্লোই




ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) :
কাশ্মিরগী মতাংদা হৌজিক ন্যু দিল্লি অমসুং ইস্লামাবাদগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম লৈরিবা অসিনা টুর্কমেনিস্তান-অফঘানিস্তান-পাকিস্তান-ইন্দিয়া (টি এ পি আই) অমসুং অতৈ ওফসোর গ্যাস পাইপলাইন প্রোজেক্টশিংগী তুংগী থবকশিংদা অকায়বা অমত্তা থোক্লিংঙাই ওইদে হায়না পাকিস্তান গভর্নমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক ইন্দিয়াগা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিবা অসিনা অচৌবা প্রোজেক্ট অদুদা অকায়বা অমত্তা থোকহনগদবা লৈতে হায়না পাকিস্তান্না টুর্কমেনিস্তান্দা থাজবা পীখ্রে হায়না ওফিসল অদুনা থাংজ নুমিত্তা এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনদা হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পাকিস্তান অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা কাশ্মিরগী মতাংদা টেন্সন লৈ হায়বসি চুম্মী। অদুমওইনমক মসিনা টি এ পি আই পাইপলাইন প্রোজেক্টতদি অকায়বা পীরোই। ইন্টরষ্টেট গ্যাস সিষ্টেমস (আই এস জি এস) অদু টি এ পি আই, নোর্থ-সাউথ পাইপলাইন অমসুং ওফসোর গ্যাস পাইপলাইন য়াওনা অচৌবা পাইপলাইন প্রোজেক্ট খরদা থবক তৌরিবনি।

পাকিস্তানদা লোদ মেনেজমেন্টকী খুত্থাংদা ইনর্জি সিক্যুরিটি লৈহন্নবা কম্পনি অসিনা অন্দরগ্রাউন্দ গ্যাস ষ্টোরেজশিং শেম শানবসু থৌরাং তৌরে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়, মরা তপ্পা ফিভম লাকহনবদা মতেং ওইগদবা পাইপলাইন প্রোজেক্ট অমা ওইরিবা টি এ পি আইনা সেন্ট্রেল অমসুং সাউথ এসিয়াগী মরক্তা কনেক্টিভিটি লৈহল্লগনি হায়না থাজনরি।

পাইপলাইন অদু লানগী চৈথেং নংলবা অফঘানিস্তান অমসুং পাকিস্তান ফাওরগা ইন্দিয়া য়ৌরক্তুনা লমদম অসিদা শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং হেনগৎহনবা অমসুং মরা তপ্পা অমদি তং তাবা ফিভম লাকহনবদা মতেং ওইনবগী পান্দমদা থৌরাং তৌখিবা প্রোজেক্ট অমনি।

প্রোজেক্ট অদুনা লমদম অনীবু রোদ, রেল অমসুং ফাইবর কেবল নেটৱার্ককী খুৎথাংদা শম্নহনবদা মতেং পাংলগনি। শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং টুর্কমেনিস্তান্দা মতম খরগী মমাংদগী হৌখ্রবনি অমসুং মদুগী টুর্কমেন-অফঘান বোর্দরদগী হেরাট ফাওবগী সেক্সনসু য়াম্না থুনা হৌরগনি। পাকিস্তানদা পায়খৎকদবা কনষ্ট্রক্সনগী থবকশিংনা কুমজা ২০২০ গী অহানবা থা অহুম ফাওবগী মনুংদা হৌরগনি হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

প্রোজেক্ট অদুবু য়েংশিন্নবা অমসুং কন্সট্রক্সনগী থৌরাং ফাইনেলাইজ তৌনবা মথংগী থাদা টাপি কম্পনিগী দেলিগেসন অমা থবক মফমশিংদা চৎলগনি হায়নসু মহাক্না এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনদা ফোঙদোকখি।

## পাকিস্তানন্না অফঘান, ইন্দিয়ন দিপ্লোমেটশিং কৌখৎখ্রে



ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ১৫ (এজেন্সি) :
তোঙান-তোঙানবা বোর্দর পরিং অনীদা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা পাকিস্তানি লান্মী ৪ অমসুং মীচম নুপী অমা শিখ্রবা মতুংদা পাকিস্তানি ওথোরিটিশিংনা অফঘানিস্তান অমসুং ইন্দিয়াগী দিপ্লোমেটশিং কৌখৎখ্রে।

অফঘান-পাকিস্তানি বোর্দর ৱাংমা লান্না নাকল অনীনা অমনা অমদা নোংমৈ কাপ্পগী মরাল শীন্নবা অমদি ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী ফোর্সশিংনা মুস্লিমশিংনা মেজোরিটি ওইবা কাশ্মির লমদমগী লৈবাক অনীনা ওক্যুপাইদ তৌরিবা মফমশিং খায়রিবা মতম শাংনা লৈরক্লবা সীজফায়র লাইন ফাওনা নোংমৈ কাপ্পি হায়না অমগা অমগা মরাল শীন্নবগী থৌওংশিং তোয়না চত্থদুনা লাক্লি।

খ্বাইদগী নৌবা বোর্দরদা সীজফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোকশিং অদু মরু ওইনা পাকিস্তান অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা উংখৎনরিঙৈ অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি অফঘান টালিবানগী মরক্তা চত্থরকখিবা নিগোসিএসন লেপখ্রবা মতুংদা থোক্লকখিবনি। অফঘানিস্তান্দা ওপরেট তৌরিবা মিলিটেন্টশিংনা পাকিস্তানদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা মতুংদা পাকিস্তানগী ফোরেন ওফিসনা থাংজ নুমিত্তা অফঘান দিপ্লোমেট অমা কৌখৎতুনা ৱাহং-পাউহং তৌখি হায়না পাকিস্তানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি। মিলিটেন্টশিং অদুনা ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা পাকিস্তানি লান্মীশিংগী পেট্রোল পার্টি অমদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবদা লান্মী অমা শিখি। অনীশুবা থৌদোক অমদনা বোর্দরগী সেক্সন অমা ফেন্সিং তৌরিবা পাকিস্তানি ফোর্সশিংদা এটেক তৌরক্তুনা মীওই অহুমসু শিখ্রে হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অনীমক পাকিস্তানগী অৱাং নোংচুপ থংবা খায়বর-পাখতুনখ্বা প্রোভিন্সতা থোকখিবনি। পাকিস্তানি ওথোরিটিশিংনা অফঘান দিপ্লোমেট অদুবু কৌখত্তুনা বোর্দরগী অফঘানিস্তাল্লোম থংবা মায়কৈদা সিক্যুরিটিগী থবকশিংগী থৌদাং লৈবাক অসিনা পুক্ষম থোকই হায়বসি নৌহৌননা খঙহনখি হায়রি।

য়েৎনরিবা কাশ্মিরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল লান্না ইন্দিয়ন ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা পাকিস্তানগী বলাকোট ভিলেজদা চহী ৪০ শুরবী নুপী অমা শিখিবগী মতাংদসু পাকিস্তান্না থাংজ নুমিত্তা ইন্দিয়ন দিপ্লোমেট অমা কৌখৎতুনা ৱাহং পাউহং কয়া তৌখি। হৌখিবা ওগষ্ট ৫দা ন্যু দিল্লিনা কাশ্মিরগী স্পেসল ষ্টেটস লৌথোকখিবদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা কন্না উংখৎনরকখিবনি।